# প্রাইম মিনিষ্টরনা *পরিক্সা পে চর্চা* দা মহৈরোইশিংবু একজাম মতমদা ৱাখল হন্থদনবা পাউতাক পীখ্রে




***ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২০(এজেন্সি)ঃ*** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী চহীগী ওইবা 'পরিক্সা পে চর্চা' থৌরমদা ঙসি মহৈরোই লিশিং কয়াদা ৱারী শান্নবদা একজাম মতমদা ৱাখল হন্থদনবা অমসুং থৌনা লৈনা আশাগা লোয়ননা শরুক য়ানবা পাউতাক পীখ্রে।

এসে কম্পিটিসন অমগী খূৎথাংদা খনগৎলকখিবা মহৈরোই ১০৫০ য়াওনা পুন্না মহৈরোই অমসুং ওজা ২০০০ রোমনা শরুক য়াদুনা দিল্লিগী তলকাতোরা ষ্টেদিয়মদা পাংথোকখিবা থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মহৈরোইশিংবু ৱাখলগী অফা–অপুন অমসুং খঞ্জানবা অমত্তা লৈতনা মঙোন্দা ৱাহংশিং হংনবা পূক্লিং থৌগৎখি।

ঐখোয় মরুপ–মপাংশিংগুন্না ৱারী শান্নগদবনি। মসিদা শোয়খিবশিং য়াওবা য়াই। করিগুম্বা ঐনা অশোয়বা অমা য়াওখ্রবসু মেদিয়াদা লৈরিবা মরুপশিংনা মদু নুংশিগনি। ঐহাক নখোয়গী ইমুং মনুংমক্কী মীওই অমগুন্না থৌরম অসি পাংথোক্লিবনি হায়না ঐনা খল্লি হায়খি।

বোর্দ একজামশিং মহাক্কীদমক য়ান্না হৈনিংদবা অমা ওইনা থোকই হায়না ৱাখলগী অপনবা লৈতনা ফোঙদোকখিবী রাজস্থানদগী য়াশাশ্রী কৌবী মহৈরোই অমনা অহানবমমক্তা হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা থাগী লৈমায়দা চন্দ্রয়ানগী লেন্দর অদুনা হৌখিবা চহীদা লেন্দিং তৌনবা হোৎনবদা শোয়খিবা অদুগী মতুংদা ইশ্রোগী সাইন্টিষ্টশিংনা করম তৌনা মখোয়গী নুংঙাইতবা অদু লাকশিনখিবগে হায়বদু পনখি। ঐখোয়গী শোয়খিবশিং, মায়থিখিবশিং অদুমক্তা ঐখোয়না মায় পাকপগী পাড়াশিং তম্বা য়াই। ৱাখল হন্থবনা ঐখোয়বু মায়থিহনবদু ঐখোয়না ঙমহল্লোইদবনি।

চন্দ্রয়ান মিসন অদু মায় পাক্কনি হায়বগী গেরেন্টি লৈতবনা ঐবু চন্দ্রয়ান লেন্দিংগী থৌরম অদু শরুক য়ারুদনবা ঐঙোন্দা হায়খি, অদুবু ঐহাক মফম অদুদা লৈবা মথৌ তাই হায়না নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি।

ইশ্রোনা চন্দ্রয়ানগী লেন্দর 'বিক্রম'গা কন্টেক ফংনখিদ্রবা সেপ্টেম্বর ৭কী অঙনবা পুংজাদা বেঙ্গলুরুদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মিসন কন্ট্রোল রুম অদুদা লৈখি।

হৌখিবা চহীগী খ্বাইদগী হেন্না নীংশিংনিঙাই ওইবা ইমেজশিংগী মনুংদগী অমদা চাওনা তৌরম্বা আশা কায়খিবদা মপি ইরা চেল্লবা ইশ্রো চীফ কে সিবানবু প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা থেমজিন্নবা নুংশিনা কোনশিনবীখি। মদুগী শোয়খিবা অমসুং মায়থিবা অদু ইশ্রো সাইন্টিষ্টশিংনা করন্না নমহৎপা ঙমখিবগে হায়বা অমুক হন্না নীংশিংলদুনা পূন্সিকী মওং খুদিংমক্তা ঐখোয়না হেন্না পুক্লিং থিংজিন্দুনা থৱাই য়াওশিনবা য়াই। মতম খরখক্কী খূত্থিবা হায়বসি মায় পাকপনা ঐখোয়বু ঙাইরল্লোই হায়বা নৎতে। তশেংনমক, খূত্থিবা অমা হায়বসি খ্বাইদগী হেন্না ফবা অদু থুংলগদবা ৱাৎলি তাকপনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হায়খি।

এক্সট্রা–করিকুলম এক্টিভিটিশিং অসি মহৈতম্বগী মায়োক্তা লৈ হায়বগী মতাংদা মহৈরোইশিংনা হংলকখিবা অতোপ্পা ৱাহং অমগী মতাংদা একজামশিংদা মার্ক ফজনা ফংবনা খুদিংমক ফরে হায়বা নৎতে। একজামশিংনা পূন্নমক লোয়রবনি হায়বগী ৱাখল্লোন অদুদগী ঐখোয় থোক্লক্কদবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হায়খি।

# *পরিক্সা পে চর্চা* গী মতাংদা কপিল সিবল ঃ পি এম মোদিনা মহৈরোইশিংগী মতম মাঙহল্লোইদবনি




***ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২০(এজেন্সি)ঃ*** কোংগ্রেস লুচিংবা কপিল সিবালনা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মাগী পরিক্সা পে চর্চদা মহৈরোইশিংগা ৱারী শান্নবগী থৌরম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মহৈরোইশিংগী মতম অদু লাক্কদৌরিবা বোর্দ একজামিনেসনশিংগীদমক ষ্টদি তৌবদা শিজিন্নবনা হেন্না কান্নগনি হায়খ্রে।

ঐহাক্না প্রাইম মিনিষ্টরদা মহৈরোইশিংবু বোর্দ একজামশিংগী থৌরাং তৌজনবা হৌজিক অসি মখোয় থাদোকপীগদবনি হায়বা পাম্মি। মহৈরোইশিংনা মখোয়গী ষ্টদিশিংগী মতমদা ৱাখন হন্থবা অমসুং তন্থবা থেংননবগী লম্বীশিংগী মতাংদা মহৈরোইশিংদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ৱা ঙাংখিবগী পুং খরগী তুংদা কোংগ্রেস লুচিংবা অসিনা মহাক্না মখোয়গী মতম মাঙহল্লোইদবনি হায়না পাউগী এজেন্সিদা হায়খি।

সেনিয়ার সুপ্রিম কোর্ট এদভোকেট অমসু ওইরিবা কোংগ্রেস লুচিংবা মিষ্টর সিবালনা বি জে পি লুচিংবা কয়া মরুম্না মখোয়গী এদুকেসনেল ক্বালিফিকেসনশিং লৈবাক মীয়ামদা খঙহনিংদবা অদুগী মতাংদসু ৱাফম কয়া ঙাংখি।

এদুকেসনেল দিগ্রীশিংগী মতাং অসি মীপুম খুদিংমক্তা খঙহনগদবনি। ফোঙনা নৈনগদবনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা মীয়ামদা থাগী ওইনা রেদিওদা ৱা ঙাংবা 'মন কি বাদ' হায়বা অদুগুন্না তৌগদবনি হায়খি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানি য়াওনা বি জে পি লুচিংবা খরা চহী কয়া অসিদা মখোয়গী এদুকেসনেল ক্বালিফিকেসন কয়াগী মতাংদা ৱাহং কয়া ময়োক্নরক্লি। প্রাইম মিনিষ্টর মশামক গুজরাত য়ুনিভর্সিটিদগী ইন্টয়ার পোলিটিকেল সাইন্সতা ফংখিবা মহাক্কী পোষ্ট গ্রেজুয়েট দিগ্রীগী মতাংদা চিংনবা ৱাফম কয়া ঙাংনরিবনি।

# খূৎথোক্লবদা টেরোরিষ্ট ৩ হাৎখ্রে

***শ্রীনগর, জনুৱারি ২০(এজেন্সি)ঃ*** জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা টেরোরিষ্টশিংগা ঙসি খূৎ থোক্লবা অমদা খূৎলাই কয়ামুক পুরগা চেনখিবা পুলিসমেন অমা য়াওনা হিজবুল মুজাহিদিন টেরোরিষ্ট ৩ হাৎলে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

মফম অদুদা টেরোরিষ্টশিং লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী দিষ্ট্রিক্ট অদুগী ৱাচি এরিয়াদা চংশিন্দুনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মফম অদু কোয়শিল্লগা থিবা –হুম্বাগী থবক চথখি।

মফম অদুদা থেংনখিবা টেরোরিষ্টশিং অদুবু সেক্যুরিটি ফোর্সনা সেরেন্দর তৌনবা খঙহনখি অদুবু, মদুগী মহুৎতা মখোয়না নোংমৈ কাপশিল্লকখি।

মখা তারকপদা নাকন অনী খূৎ থোক্লবদা টেরোরিষ্ট ৩ অদু হাৎখিবনি হায়না পুলিস ওফিসার অদুনা হায়খি।

হাৎলবা টেরোরিষ্টশিং অদুগী মনুংদগী আদিল অহমদ কৌবা অমদি সিটি অসিগী জৱাহর নগর এরিয়াদগী এম এল এ আইজাজ অহমদ মিরগী ওফিসিয়েল রেসিদেন্সতগী এ কে এসোল্ট রাইফল ৭ পুরগা ২০১৮দা পুলিস ফোর্সতগী চেনখিবা স্পিসিয়েল পুলিস ওফিসার অমনি হায়বা মশক খঙলে হায়না ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি। অতোপ্পা টেরোরিষ্ট ২ অদুসু খঙনবা হোৎনরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

অতোপ্পা পাউ অমনা উত্তর প্রদেশকী বরানসিদা উত্তর প্রদেশ এন্টি–টেরর স্কৱাদ (এ টি এস) অমসুং মিলিটরি ইন্টিলিজেন্স য়ুনিটনা ঙসি পুন্না চথখিবা ওপরেসন অমদা ইন্টর–সর্ভিসেস ইন্টিলিজেন্স (আই এস আই) এজেন্ট অমা ফাখ্রে।

চিত্তুপুরদা লৈবা মশাগী চহী ২৩ শুরবা রসিদ অহমেদ হায়রিবা মীওই অদুনা মহাক্কী মোবাইল ফোনগী খূৎথাংদা আর্মি বেজশিংগী পিকচরশিং অমসুং ভিদিওশিং পাকিস্তানদা আই এস আইগী মীওইশিংদা থাখিবগী মরান শীরি।

# বিহার সেল্টর রেপস ঃ ব্রজেস ঠাকুর য়াওনা ১৮ কনভিক্সন পীখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২০(এজেন্সি)ঃ*** থা কয়ামরুম নুপীমচাশিংবু রেপ তৌখিবা অমসুং নাতৈচাদবা মওংদা নম–হাখিবা বিহারগী মুজাফরপুরদা লৈবা সেল্টর হোম অদুবু চল্লাইবা, রেপকী থবকশিং অদুদা চেন্নরিবা মকোক ব্রজেস ঠাকুর অমসুং অতৈ মীওই ১৮ দিল্লি কোর্ট অমনা মরান ফংদুনা ঙসি কনভিক্সন পীখ্রে।

ব্রজেস ঠাকুর অমসুং অতৈ কনভিক ১৮ পুন্না মখোয় ১৯বু জনুৱারি ২৮গী অয়ুক ১০দা চৈরাক পীরগনি। মখোয়না চথখিবা মরানশিং অদুগী ফঙ্গদবা চৈরাক অসি য়ামদ্রবদা মপুন্সি চুপ্পগী জেলদা ফাদোক তাবনি।

প্রেটেক্সন ওফ চিন্দ্রেন ফ্রোম সেক্সচুয়েল ওফেন্সেস (পোকসো) এক্টকী মখাদা কা হেন্না শাথিবা সেক্সুয়েল এসোল্টকীদমক ব্রজেস থাকুরবু কনভিক্সন পীখি।

সেল্টর হোমদা থম্বা নুপীমচাশিংদা পাক্কন্না রেপ তৌবা অমসুং ওৎ–নৈবগী মরান শীরিবা মীওই ২০– হান্নগী বিহার পিপলস পার্টি এম এল এ অদু য়াওনা নুপী ৮ অমসুং নুপা ১২গী মনুংদা ১৯ বু চহী শুদ্রিবী নুপীমচাশিং অদুদা রেপ তৌনবা অমসুং পেনিট্রেটিব সেক্সুয়েল এসোল্ট চথনবা ক্রিমিনেল কনস্পিরেসি য়াওনা অতৈ অরানবশিংগী মরান ফংখি।

ৱাথোক অসিনা মরম ওইদুনা ব্রজেস ঠাকুরগী লোয়নবী অমসুং বিহারগী লৈঙাক পায়রিবা জনতা দল লৈঙাককী মেম্বর অমসুং সোসিয়েল ৱেলফিয়ার মিনিষ্টর ওইরিবী মঞ্জু বরমা মিনিষ্টর ফম থাদোকখি।

পাউগী এজেন্সিশিংগী রিপোর্ট মতুং ইন্না শাখিশিংগী জবানশিংগী য়ুমফম য়াওদে হায়দুনা ককথৎনবা থাঙ্গৎলকখিবা ব্রজেস ঠাকুরগী ৱাকৎশিং এদিসনেল সেসন্স জজ শৌরব কুলশ্রেস্থানা ককথৎখি হায়খি।

# *নাসা* না পৃথিবীদা নকশিননা পাইখিগদৌরিবা এষ্টেরোইদ অমা মীৎকুপ–নাহুম শিংনা শেন্নখ্রে

***ৱাসিংটন, জনুৱারি ২০(এজেন্সি)ঃ*** পৃথিবি তন্না পাইশিল্লক্লিবা অমসুং ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎ মক্তদা প্লানেট অসিদা নক্সিনা পাইরগা লাম্থোখিগদৌরিবা–গোল্ডন গেট ব্রিজ টৱারদগী হেন্না চাওবা, নৎত্রগা লন্দনগী বিগ বেনগী অৱাংবদগী শরুক অনী হেনবা ফুট ৭৫৫ লোমগী দাইএমিটর ওইবা এষ্টেরোইদ অমা নাসানা মিৎকুপ–নাহুম শিংনা শেন্নখ্রে।

পুংদা মাইল ৬১,৫০০ হেনবগী অয়াঙবা খোঙজেলদা ঐখোয়গী প্লানেট অসি তন্না পাইশিল্লক্লিবা নিয়ার–আর্থ ওবজেক্ট (এন ই ও) অসি পৃথিবগা থোঙ্গাইনবা তারবদি সিটি অমা পুলপ মাঙ তাকহন্নবগী মতিক চানা চাওই।



পৃথিবি তন্না চংশিলক্লিবা এষ্টেরোইদ অসি '২০২০ এ কিয়ু ১' হায়না মশক লেপখ্রে। এষ্টেরোইদ অদুনা জনুৱারি ২০গী অয়ুক পুং ২.৫৪ ই এস টি (নুংথিল ১.২৪ আই এস টি) মুক তাবদা পৃথিবিদা খ্বাইদগী নক্সিলক্কনি হায়না এক্সপ্রেস দোট কো দোট য়ু কেনা হায়রি।

য়ুরোপিয়ান স্পেস এজেন্সি (ই এস এ)না এন ই ও এষ্টেরোদ ২১৬৫৫ অমসুং এন ই ও কোমেট ১০৯ মশক খঙখ্রে।

এষ্ট্রোনোমরশিংনা 'ক্লোজ এপ্রোচ' ট্রজেক্টরি অমনি হায়না শক্তাক্লিবা মওং অমদা এষ্টেরোইদ অদুনা পৃথিবি ফাওরগা পাইখিগনি। হৌখিবা সেপ্টেম্বরদসু এষ্টেরোইদ জুরা অমনা ঐখোয়গী প্লানেট পৃথিবি অসি ফাওরগা পাইখ্রে।

এষ্টেরোইদশিং অসি ফজনা য়েংলক্লি অমসুং মখোয়গী ওর্বিটশিং য়ান্না ফজনা খঙলে হায়না নাসাগী প্লানেটরি দিফেন্স ওফিসার লিন্দলে জোন্সনন হায়খি।

এষ্টেরোইদ অনীমক অদুনা পৃথিবিদগী লুনার দিষ্টেন্স ৪ রোম নৎত্রগা মাইল মিল্লিয়ন ৩.৫ রোম লাপ্পা পাইরগা চৎখি, অদুবু অপিকপা এষ্টেরোইদশিংনা মতম পুন্দা পৃথিবিদা নক্সিনা পাইরগা চৎখি হায়না মহাক্না হায়খি।

# য়েমেনদা মিসাইল অমসুং দ্রোন এটেকতা মীওই ১০০ হেন্না শিখ্রে

***দুবাই, জনুৱারি ২০(এজেন্সি)ঃ*** হৌথি রিবেলশিংননি হায়না মরান শীবা ময়াই থংবা য়েমেনদা চথরকখিবা মিসাইল অমসুং দ্রোন এটেক অমদা মীওই ১০০ হেন্না শিখ্রে অমসুং ময়াম অমা শোকখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

ইরাননা শৌগৎপা হৌথিশিংগা ইন্টরনেসনেলনা শকখঙবা গভর্ণমেন্টকা অনীগী মরক্তা থোক্লিবা লান অদু চাওরাক্লা হন্থরুরবগী থা খরগী মতুংদা থাংজ নুমিৎতা এটেক অসি চথরকখিবনি। য়েমেনগী ইন্টরনেসনেলনা শকখঙবা গভর্ণমেন্ট অদু সাউদি আরাবিয়ানা লুচিংবা মিলিটরি কোলিসননা শৌগৎপনি।

য়েমেনগী কোনুং সানাআগী নোংপোক্তা কিলোমিটর ১৭০ রোম লাপ্পা ময়াই থংবা প্রোভিন্স মারিবদা মিলিটরি কেম্প অমগী মনুংদা লৈবা মোস্ক অমদা লাই খুরুমনরিঙৈ মতমদা এটেক অদু চথরকখিবনি হায়না মিলিটরি লিখুনশিংনা পাউগী এজেন্সিদা হায়খি।

হৌথি মিলিসিয়াশিংনা মীওই ১০০ হেন্না হাৎতুনা অমসুং ময়াম অমা শোকহন্দুনা মোস্ক অমদা চথখিবা টেরোরিষ্ট এটেক অদুবু ঐখোয়না কন্না কন্দেম তৌরি হায়না ত্বিটরদা য়েমেনগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

অদুবু হৌজিক ফাওবা হৌথি রিবেলশিংগী নাক্কদগী করিগুম্বা ৱারোল অমত্তা ফোঙদোক্লক্ত্রি। লৈবাক্কী কোনুং অসিগী অৱাং নিহা রিজনদা রিবেলশিং অদুগী মায়োক্তা কোলিসননা শৌগৎপা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা অচৌবা ওপরেসন অমা চথখিবগী নোংঙানবদা দ্রোন অমসুং মিসাইল এটেক অসি চথরকখিবনি।

হায়রিবা মফম অদুদা নাকন অনী খূৎ থোক্লব অদু ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবা চথখি। মদুদা হৌথি মিলিসিয়া ময়াম অমা শিখ্রে অমসুং শোকখ্রে হায়না মিলিটরিগী লিখুল অমনা হয়খি।

# অশৌবা ঈশিংনা রসিয়ান হোটেলদা থুমজিল্লকপদা অঙাং য়াওনা ৫ শিখ্রে

***মোস্কো, জনুৱারি ২০(এজেন্সি)ঃ*** অশাবা ঈশিংগী পাইপ অমা নুমিদাংদা পোকখায়রত্তুনা বেজমেন্টদা লৈবা হেটেলগী কা অমা অশৌবা ঈশিং অদুনা থুমজিল্লকপদগী ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা রসিয়াগী পর্ম সিটিদা অঙাং অমা য়াওনা মীওই ৫ শিখ্রে।

রেসিদেন্সিয়েল বিল্ডিং অমগী বেজমেন্টতা লৈবা মিনি হোটেল কেরামেদা ওন্থোক্না তাইওন্নবা থৌদোক অদুদা ঈশিং অশৌবনা চাক্তুনা শোকখিবা য়ামদ্রবদা মীওই ৩ হেস্পিটালদা পুখৎখি হায়না লমদম অদুগী ইনভেষ্টিগেটিব কমিটি অদুনা হায়খি।

অশোকপা মীওইশং অদুবু লায়েঙ পীরিবা ডোক্টর এন্দ্রে বাবিকোবনা ফোঙদোকপদা মশাগী চহী ৩৩ শুরবী নুপী অমা মহাক্কী হকচাংগী চাদা ৩৫ অশৌবা ঈশিং অদুনা চাকখ্রে হায়খি।

মশাগী চহী ২৮ অমসুং ৩৫ শরুরবা মীওই নুপা অনীদি শাথিবা খরা ৱাৎনা শোকখি। মদু অকি–তুজুংনিঙাই ওইবা থবক্লি হায়না রিজনেল গভর্ণর মেক্সিম রেসটনিকোবনা হায়খি।

# জিনজিয়াংদা ৬.০ কন্না য়ুহার হাখ্রে

***বৈজিং, জনুৱারি ২০(এজেন্সি)ঃ*** চিনাগী অৱাংলোম থংবা জিনজিয়াং রিজনদা ঙরাং নোংমাইজিংগী অথেংবদা মেগ্নিচুদ ৬.০ কনবা য়ুহার হাখ্রে।

থায়নগী সিল্ক রোদকী সিটি কাসগরগী অৱাং নোংপোককী নোংপোক্তা নুমিদাং পুং ৯.২৭দা য়ুহার হাবদু থোকখিবনি।

য়ুহার হায়বা অদুগী অহানবগী চাং লেপ্পদা য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভেনা য়ুহার হায়বা অদুদা শিবা নৎত্রগা শোকপগী থৌদোক থোকপগী চাং নেমগনি হায়খি। অদুম ওইনমক এজেন্সি অসিনা রিজন অদুগী বিল্ডিং অয়াম্বা লৈবাক্কী চেকশিংনা শাবা মরন্না অতেক–অকাই য়ান্না থোক্লবা য়াই হায়খি।

য়ুহার হাবা অদুগী ময়োল ইপিসেন্টরগী অনকপা মফমশিং অদু মী লন্না তাবা চীংগী লম অমসুং মরুভুমিগী লম ওইনা তৌই। চিনাদা, মরুওইনা চীংলম ওইবা নোংচুপ অমসুং খা নোংচুপ লমদমশিংদা তোয়না য়ুহার হাই।

২০০৩গী ফেব্রুৱারিদা মেগ্নিচুদ ৬.৮কী য়ুহার হাবা অমদা জিনজিয়াংদা মীওই ২৬৮ শিখি অমসুং অকায়–অতোয় কয়া থোকখি।

সনা–সুদোকু–৩৬২ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 7 | 5 | 9 | 8 | 1 | 6 | 2 | 4 |
| 4 | 1 | 6 | 3 | 2 | 5 | 9 | 8 | 7 |
| 8 | 9 | 2 | 6 | 7 | 4 | 5 | 1 | 3 |
| 2 | 4 | 3 | 1 | 9 | 6 | 8 | 7 | 5 |
| 9 | 8 | 7 | 5 | 4 | 2 | 1 | 3 | 6 |
| 6 | 5 | 1 | 8 | 3 | 7 | 2 | 4 | 9 |
| 5 | 2 | 8 | 7 | 6 | 3 | 4 | 9 | 1 |
| 7 | 6 | 9 | 4 | 1 | 8 | 3 | 5 | 2 |
| 1 | 3 | 4 | 2 | 5 | 9 | 7 | 6 | 8 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-363**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 6 | 1 | | 4 | 7 | | |
| 2 | | | | | 8 | 1 | | 9 |
| | 8 | | | 7 | | 5 | | 4 |
| | 4 | | | 8 | | | 7 | 6 |
| 7 | 6 | | | | 1 | | 9 | |
| | 9 | 8 | | 6 | | | 1 | |
| 4 | | | 7 | | 9 | | 8 | |
| 6 | | 7 | 8 | 1 | | | | |
| | | 9 | 6 | | | 2 | | 7 |

# লোইস ভুইটনন মালেমগী ২শুবা খ্বাইদগী চাওবা দাইমন্দ লৈখ্রে

***ৱাসিংটন, জনুৱারি ২০(এজেন্সি)ঃ*** মালেমদা অকে–অমৌগী হেন্দবেগশিংগী মার্কেট পায়খ্রবা তুংদা মমিং চৎলবা ফ্রেঞ্চ ফেসন ব্রান্দ লোইস ভুইটনন জুয়েলরি মার্কেটতা অনেবা মফম পায়খ্রে অমসুং মালেমগী ২শুবা খ্বাইদগী চাওবা দাইমন্দ অদু ফেসন ব্রান্দ অসিনা লৈখ্রে হায়না পিপল মেগাজিননা হায়রি।

মালেমগী ওইনা ঈজৎ লৈরবা ব্রান্দ অসিনা বোটস্ৱানাগী কারোৱে খনিদগী লুকারা দাইমন্দ কোপোরেসননা এপ্রিল ২০১৯দা ফংখিবা কেরেট ১,৭৫৮কী সিৱেলো দাইমন্দ অদু লৈখ্রে।

টেন্নিস বোল অমমুক চাওবা দাইমন্দ অদুগীদমক লকজরি ব্রান্দ অদুগা দিল অমা দাইমন্দ কম্পেনি অদুগা তৌনখি। ফেসন কম্পেনি অদুগী চীফ একজিক্যুটিব মাইকেল বর্কনা দাইমন্দ অদুগী অশেংবা মমল ফোঙদোকখিদে, অদুবু এন্টোৱর্প দাইমন্দ এক্সচেঞ্জগী হান্নগী প্রসিদেন্ট মার্সেল প্রত্ৱরনা দাইমন্দ অদুগী মমল দোল্লর মিল্লিয়ন ৫০ রোম ওইগনি হায়খি।

## GAS TODAY

**Porompat Indane**
Booking : 02/12/19
Valid : 14/11/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**Hrangchal Gas**
Booking : 17/12/19
Valid : 16/12/19
Stk : 306
First Come First Serve

**Misao Gas Service**
Booking : 24/12/19
Valid : 13/12/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 01/11/19
Valid : 22/10/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 10.30 a.m

**M M Gas Service**
Booking : 20/11/19
Valid : 09/11/19
Stk : 918
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 13/11/19
Valid : 12/11/19
Sl. No. : 9001 to 9520
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Keirao Bitra, Imphal East**
*Ref. :- Mutation Cass No. 13/SDC/KBT Dt. 18-01-2020*

1) Md. Jaheruddin S/o Md. Mane of Keirao Makting Awang Leikai.
2) Umar Muktar S/o Md. Maneruddin of -do-
3) Md. Abdul Salam S/o Md. Seraj Ahamad of -do-
4) Nureda W/o Nurhuisen of -do-
5) Manerjan W/o Basiruddin of -do-

***- Petitioners***

***-Verses-***

(L) Mubi Miya S/o (L) Umar Miya of Keirao Makting.

***- O.P.***

**NOTICE**

*Keirao Bitra,the 18-01-2020*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East Keirao Bitra Circle গী Village No. 48-Keirao Makting গী Patta No. 24 (অরিবা) 232 (অনৌবা) C.S. Dag (Sheet-1) 57 an area 0.51 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মচা অমদি মশুশিংনা লম অসি মমিং ওনবীরো হাইনা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরোৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Keirao Bitra Cort অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Keiro Bitra Imphal East

***SL/5749 (2) (d)/21***

**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Keirao Bitra, Imphal East**
*Ref. :- Mutation Cass No. 12/SDC/KBT Dt. 18-01-2020*

Md Aktar Khan S/o Md. Abdul Wahid of Keirao Makting Awang Leikai

***- Petitioner***

***-Verses-***

Md. Abdul Wahid S/o (Late) Md. Jamaruddin of Keirao Makting.

***- O.P.***

**NOTICE**

*Keirao Bitra,the18-01-2020*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East Keirao Bitra Circle গী Village No. 54-Takhok Makha গী Patta No. 67 (O) (অরিবা) 221 (N) (অনৌবা) C.S. Dag No. 33 an area 1.61 acre of Taothabi Class লম অসিগী Co-Pattadar No. 1 (One) অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Co-Pattadar No. 1 (one)গী মচা নুপানা লম অসি মমিং ওনবীরো হাইনা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরোৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Keirao Bitra Cort অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Keiro Bitra Imphal East

***SL/5749 (1) (d)/21***

**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Cass No.39/SDC/P of 2020*

1) Md Rahaman S/o (L) Tomba Miya of Kshetrigao
2) Md. Rafi Khan S/o (L) Tomba Miya of Kshetrigao

***- Petitioners***

***-Verses-***

Md. Sougat Ali S/o (L) Md. Samshu of Kshetrigao

***- O.P.***

**NOTICE**

*Porompat,the 20/01/2020*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East Porompat Circle গী Village No. 39-Wakha গী Patta No. 169 (অরিবা) 94/354 (অনৌবা) C.S. Dag 91/492 an area 0.66 acre of Phourel Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ –চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East, Manipur

***SL/B(L)(1)/21***

**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Cass No.34/SDC/P of 2020*

1) Md Rahaman S/o (L) Tomba Miya of Kshetrigao
2) Md. Rafi Khan S/o (L) Tomba Miya of Kshetrigao

***- Petitioners***

***-Verses-***

Tomba Miya S/o (L) Samshu Miya of Kshetrigao

***- O.P.***

**NOTICE**

*Porompat,the 20/01/2020*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East Porompat Circle গী Village No. 39-Wakha গী Patta No. 250 (অরিবা) 104 (অনৌবা) C.S. Dag No 17 an area 0.69 acre of Phourel Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ –চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East, Manipur

***SL/B(L)(2)/21***